# ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিতোরি পূন্নমক্কী ওইনা অসামগী অদুগুম্বা এন আর সি পুথোক্নবা হোম মিনিষ্ট্রিনা খল্লি



***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ২৬ ঃ***
অসামদা কুমজা ২০১৫ দা নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) অপদেট তৌবা হৌখিবা মতূংদগী অসামদগী য়াল্লবা মীয়াম অমা লৈবাকসিগী অতৈ মফমশিংদা চেল্লত্তুনা ময়ূম হোংলকখ্রে হায়বা ইন্টিলিজেন্সকী পাউ লৈবদগী য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হো এফিয়ার্স (এম ঐচ এ) না ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিতোরি পূন্নমক্কীদমক অসিগুম্বা মান্নবা খোঙথাং অমা লৌখৎনবা ৱাখল খল্লি।

হোম মিনিষ্ট্রিদা লৈবা অৱাংবা থাক্কী লীখুন অমনা পাউগী এজেন্সিদা ফোংদোকপদা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিতোরি পূন্নমক্কীদমক অসামগীদুগা মান্নবা এন আর সি থন্নবগী পুখৎলকপা ৱাফম অমা মিনিষ্ট্রি অসিনা য়েংশিল্লি হায়খি।

এন আর সি অপদেট তৌনবগী পুখৎলক্লিবা ৱাফম অসি, ভোটর আই দি কার্দস অমসুং অতৈ দোকুমেন্টশিং পায়রিবা অদুবু মখোয় কদায়দগী হৌরকপা মীনো হায়বা প্রমাণ পীবা ঙমদবা মশীং য়াল্লবা মীয়াম অমনা কুমজা ২০১৫ গী মতূংদগী অসামদগী চেন্থোক্লরক্তুনা লৈবাকসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ময়ূম হোংনরকখ্রে হায়বগী ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিশিংগী রিপোর্টশিং লাকপদগীনি।

ইন্টিলিজেন্স রিপোর্টশিং অদুনা ফোংদোক্লিবদি অসামদগী চেন্থোক্লরকখিবা মীওইশিং অদুগী অয়াম্বদি কন্সট্রক্সন ৱার্করশিং য়াম্না দিমান্দ লৈবা অন্ধ্র প্রদেশ, নেস্নেল কেপিতেল রিজন (এন আর সি) ওফ দিল্লি, কর্নাতকা, মহারাষ্ট্রাগুম্বা ষ্টেটশিংদা মাইগ্রেন্ট তৌরকখি হায়বা উৎলি হায়না গভর্ণমেন্ট ফঙ্কম্নরি অমনা হায়খি।

অসামদা মীতোপ খন্দোক্তুনা এন আর সি অপদেট তৌবগী থবক য়াম্না লুখিবা অমসুং শীংননিংঙাই ওইবা অদুমক্তি মসি পাঙথোকপদা অতৈ ষ্টেটশিংদা গভর্ণমেন্টনা য়াম্না খুদোংচাদবা মায়োক্নদবা য়াই হায়না সেক্যুরিটি ইষ্টাব্লিসমেন্টদা লৈরিবা ওফিসিয়েলশিংনা খল্লি।

অদুম ওইনমক অতৈ ষ্টেটশিংদা এন আর সি থৌরাং তৌনবগী অরোয়বা ৱারেপ অমা হৌজিক ফাওবদা লৌদ্রি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিদা লৈবা লীখুনশিংনা ফোঙদোক্লি।

মরকসিদা খুদক্কী ওইনা নুংনাংনিঙাই ওইরিবদি অসামদা হৌজিক আইন্না য়াদবা ফোরেন্নরশিংনি হায়না লাওথোক্লকপা য়াবগী ফিভম অমা মায়োক্নরিবশিং অদুগী তম্বা ঙমদবা মরাইবক অদুগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌবা অসিনি হায়না মখোয়না মখা তাখি।

মরকসিদা সিটিজন্স ওইনবগী চে পীখৎলকখিবা মীওই ক্রোর ৩.২৯ গী মনুংদগী এন আর সি গী ফাইনেল ড্রাফ্টতা মমিং য়াওরকখিদ্রবা মীওই লাক্ষ ৪০.০৭ গী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা ফাইনেল এন আর সি ফোঙবগী মতূংদা আইন্না য়াদবা মীতোপশিংনি লাওথোক্লকপা য়ারিবা মখোয় পূন্নমক অদুদা বাইওমেট্রিক ৱার্ক পার্মিট অমা পীনবগী থবক অমা চঙশিন্নবসু হোৎনরি।

মসিগী ৱাখল্লোন অসি অসামগী এন আর সি দা য়াওরকখিদ্রবা য়াল্লবা মীয়াম অদুবু মখোয়গী হৌরকফম লৈবাক অদুদা অমুক হলহনখিবা হায়বসি থবক ওইনা তৌবদা ওইথোক্লিংঙাই লৈরোইদবা অমা ওইগদ্রা হায়না খনবদগীনি।

নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) অসি অসামদা আইননা য়াবা সিটিজন্স পূন্নমক্কী রেকোর্দ অমনি। এন আর সি অহানবা লিষ্ট অদু চহী কয়াগী মমাঙ, কুমজা ১৯৫১ দা শেমখিবনি। অসামদা আইন্না য়াদবা ফোরেন্নরশিং তান্থোক্নবগী কুমজা ১৯৮০ দা হৌরকখিবা মীয়ামগী ঈহৌ মতম অদুদা এন আর সি গী অহানবা লিষ্ট অদু অপদেট তৌনবা দিমান্দ থাঙ্গৎলকখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী মোনিতরিং মখাদা রেজিষ্ট্রার জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা জুলাই ৩১ দা অসাম এন আর সি গী ফাইনেল ড্রাফ্ট পুথোক্তুনা ফোঙখিবনি। মদুদা এপ্লিকান্ট ক্রোর ৩.২৯ গী মনুংদগী ক্রোর ২.৮৯ গী মমিংশিং য়াওরকখ্রে অদুবু মীওই লাক্ষ ৪০ রোমগী মমিং পল্লকখিদ্রে।

এন আর সি ফাইনেল ড্রাফ্টতা য়াওরকখিদ্রবশিং অদু হৌজিক আগষ্ট ৩০ দগী হৌগদবা ড্রাফ্ট অদুদা ক্লেম অমসুং ওবজেক্সন তৌবগী থা ১ রোম শাংবা প্রোসেস অমা মায়োক্নরি।

# নুপীমচা রেপ তৌবা, হাৎপা মীওই শিবগী চৈরাক পীখ্রে

***রাইপুর, আগষ্ট ২৬ ঃ***
কুমজা ২০১৫ দা ৱা ঙাংবা অমসুং না তাবগী ফিভম শোয়নাইরবী মশাগী চহী ৫ দা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা রেপ তৌখিবা অমসুং হাৎখিবগীদমক ছতিসগরগী দুর্গ দিষ্ট্রিক্টতা কোর্ট অমনা মশাগী চহী ৩৪ শুরবা নুপা অমবু শিবগী চৈরাক্কী রাই তাখ্রে।

স্পিসিয়েল জজ, পোকসো (প্রোটেক্সন ওফচিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুচুয়েল ওফেন্সেস এক্ট) শুভ্রা পাচৌরিনা রাম সোনা কৌবা মীওই অদুবু মরাল লৈরে হায়না ইরাই নুমিত্তা লাওথোকখি অমসুং মহাকপু শিবগী চৈরাক পীনবা রাই তাখি হায়না দুর্গগী এদিস্নেল পব্লিক প্রোজিক্যুটর কমাল কিশোর বর্মানা হায়খি।

রাম সোনা হায়রিবা মীওই অসিনা ক্রাইম অদু চথখিবগী খুদম চাংদমশিং লোৎশিন্দুনা থম্বগীদমক কোর্ট অসিনা মহাক্কী মমা কুন্তি সোনা (৪২) অমসুং মাগী মরুপ অমৃত সিংহবুসু চহী ৫/ ৫ গী জেলগী চৈরাকশিং পীখি।

কুমজা ২০১৫ গী ফেব্রুৱারী ২৫ দা দুর্গগী খুর্সিপারদা লৈবা মীওই অসিনা মফম অসিমক্তদা লৈবী নুপীমচা অদু রেপ তৌখি অমসুং হাৎতোকখি হায়না বর্মানা হায়খি।

# গুরুদ্বারা মপানদা কাঙলুপ মশেন খূৎ থোক্লখ্রে, মীওই ৭০ গী মথক্তা কেস রেজিষ্টার তৌখ্রে



***শাহজহানপুর, আগষ্ট ২৬ ঃ***
গুরুদ্বারা অমগী মপানদা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ অনীগী মীওইশিংগী মরক্তা খৎন–চৈনবগী থৌদোক অমা থোকখ্রে অমসুং মদুগী মখা তারকপদা পুলিসনা ইরাং তৌবা অমসুং পোৎ–চৈ থুগাই–খোৎকাইবগীদমক মীওই ৭০ হেনবগী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

এদিস্নেল সপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (রুরেল) সুভাসচন্দ্র সাক্যানা থৌদোক অদুগী মতাংদা ফোঙদোকপদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী বন্দা এরিয়াদা লৈবা গুরুদ্বারা অমগী মপানদা মশাগী চহী ১৪ শুরবী নুপীমচা অমনা রাক্ষিশিং য়োন্ননবা গারী অমা খামদুনা থল্লখিবা অদুদা ঙরাং খৎন–চৈনবগী থৌদোক অদু থোকপনি হায়খি।

নুপীমচা অদুনা রাক্ষি য়োন্নবা গারী অমা গুরুদ্বারা অদুগী মপানদা থম্বা অদু গুরুদ্বারা অদু শঙলিবা ৱাটচমেন অদুনা থীংনবা হোৎনখি। ৱাটচমেন অদুনা নুপীমচা অদুগী মখোঙদা চৈ অমনা ফুখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

গারী অমদা রাক্ষি য়োঞ্জবী নুপীমচা অদু তাথি–তাওইনা গুরুদ্বারাগী ৱাটচমেন অদুনা ফুবীরে হায়বা পাউ অদু মথং–মথং শন্দোরকপদগী মফম অদুদা হিন্দুশিং অমসুং সিখশিং হোৎচিন্নরকখি। অসুন্না মীয়াম পুনশিন্নরকপদগী মখোয়না অমগী মথক্তা অমনা নূংনা থানবা হৌরকখি হায়রি।

শাহজহানপুরগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস এস চিনাপ্পানা ফোঙদোকপদা পোৎ–চৈ থুগাইবা, ইরাং–তৌবা, মীয়ামগী লন–থুম মাঙ তাকহনবগীদমক আই পি সি গী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা নাকল অনীমক্তগী মীওই ৭০ হেনবগী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে। হৌজিক মফম অদুদা অহেনবা পুলিস ফোর্স কৌশিন্দুনা চেকশিন্না ঙাক–শেনহনখ্রে হায়খি।

মফম অদুদা ইং–তম্প্পগী ফিভম অমুক হন্না লৈহন্নবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমৃত ট্রিপাথিনা কাঙলুপ নাকল অনীমক্কী মীফম অমা কৌখ্রে।

কাঙলুপকী ইরাং মরক অদুদা পুলিসকী গারী অমা অমসুং অতোপ্পা গারী অনীসু নূংনা পানবদগী শোকখি হায়না সব–দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেট সত্যাপ্রিয়ে সিংহনা ঙরাং ফোঙদোকখি।

# এম কে ষ্টেলিননা দি এম কে প্রসিদেন্ট ফমগীদমক মীরেপ–চে থাগৎখ্রে



***চেন্নাই, আগষ্ট ২৬ ঃ***
দি এম কে ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম কে ষ্টেলিননা ঙসি তামিল নাদুগী চেন্নাইদা লৈবা পার্টি হেদক্বার্টরস, অন্না অরিবালায়মদা প্রসিদেন্ট ফমগীদমক মাগী মীরেপ–চে থাগৎখ্রে।

ষ্টেলিননা হান্না পায়রম্বা ট্রেজরর ফমগীদমক পার্টিগী সেনিয়ার লীদর অমসুং প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী দুরাইমুরুগাননা মীরেপ– চে পীশিনখ্রে। চেন্নাইদা আগষ্ট ২৮ দা পার্টিগী জেনরেল কাউন্সিল মীফমদা পাঙথোকপা মীখলদা মখোয় খল্লবা য়ারি।

মহাক্কী অপোকপা মপা অমসুং পার্টিগী লুচিংবা মকোক এম করুনানিধিনা লৈখিদ্রবগী মতূংদা মহাকপু দি এম কে চীফ ওইনা খন্নবগী থবক অসি মশাগী চহী ৬৫ শুরবা লুচিংবা অসিনা ফম অদুগীদমক হৌনবী মতূং ইন্না মাগী মীরেপ–চে পীশিনখিবগা লোয়নন্না হৌখ্রে।

মীরেপ–চে পীশিনখিবগী মমাঙদা এম কে ষ্টেলিন, দুরাইমুরুগান অমসুং পার্টিগী সেনিয়র মেম্বরশিং টি আর বালু অমসুং এ রাজানা করুনানিধিগী লোয়নবী দায়ালু অম্মলবু মাগী গোপালাপুরম রেসিদেন্সতা উন্নখি। মদুগী মতূংদা মখোয়না পার্টিগী অহল ওইরবা লুচিংবা অমসুং জেনরেল সেক্রেটরী কে অনভাৱাগানগসু উন্নখি। অদুগা দি এম কে গী ফাউন্দর অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর সি এন অননাদুরাই অমসুং করুনানিধিগী মেরিনা বিচতা লৈবা মেমোরিয়েলশিংদা চৎখি অমসুং লৈ কৎতুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি হায়না পার্টিগী লীখুনশিংনা ফোঙদোক্লি।

এম কে ষ্টেলিন অমসুং দুরামুরুগানগী মমিংশিং অদু মথৎশিংনা প্রসিদেন্ট অমসুং ট্রেজরর ফমগীদমক দি এক কে দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরী ৬৫ মক্না প্রপোজ তৌরকখি।

পাউমীশিংদা ফোঙদোকপদা কে রাজানা এম কে ষ্টেলিন অমসুং দুরাইমুরুগানবু পার্টিগী জেনরেল কাউন্সিল মীফমদা অপনবা অমত্তা য়াওদনা মোত অমত্তা ওইনা খল্লগনি হায়খি।

মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিঙৈ মহৈরোই অমা ওইনা ১৯৬৭ ইলেক্সন্দা কেম্পেন য়াওদুনা পোলিটিক্সতা ষ্টেলিননা চঙলকখি। ১৯৯৪ দা য়ুঠস ৱিংগী সেক্রেটরী ওইখি। ২০০৩ দা দিপ্যুটি জেনরেল সেক্রেটরী ওইখি। জনুৱারী ২০১৫ দা মাগী অনীশুবা চহী ৫ গী তার্মগীদমক অমুক হন্না ট্রেজরর খনখি। চেন্নাই সিটি মনুঙ্গা লৈবা মানা অহুস্লক হন্না মীখল মায় পাকখিবা থাউজন লাইটস কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী ১৯৮৯ দা অহানবা ওইনা জেনরেল ইলেক্সনদা মীরেপ ওইখি। ২০০৬ তা ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন মিনিষ্টর, ২০০৯ দা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইরকখি।

# নোর্থ কোরিয়াবু মরাল কয়া শীজিল্লিবা ট্রম্পপু দাইত্ব য়াওদবনি হায়না চিনানা চৈখ্রে

***বৈজিং, আগষ্ট ২৬ ঃ***
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মহাক্কী মকোক থোংবা দিপ্লোমেটকী নোর্থ কোরিয়াদা চৎকদবা খোঙচৎ ককথৎখিবা অমসুং পিওংয়াংবু খূৎলাই থাদোকহন্নবা হোৎনরিবশিং অসিবু বৈজিংনা অপনবা পী হায়খিবগীদমক য়ু এস প্রসিদেন্ট অসিবু দাইত্ব য়াওদবনি হায়না ঙরাং থাংজ নুমিত্তা চিনানা চৈখ্রে।

য়ু এস সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা মথং চয়োলদা নোর্থ কোরিয়াদা মাগী অনীশুবা খোঙচৎ চৎকদবনি। খোঙচৎ অদু নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই প্রোগ্রাম থাদোকহন্নবগী অরোইবা অমসুং মপূং ফানা ভেরিফাই তৌবা ওইহন্নবগী মথংগী খোঙথাং অদুনি হায়না মহাক মশানা ফোঙদোকখিবনি।



অদুবু ময়ূম লৈবাক্তা ৱাথোক কয়ানা খুদোংচাদবা মায়োক্নরবা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা মাইক পোম্পিওগী নোর্থ কোরিয়া চৎনবগী থৌরাং অদু তোকহনখিবনি।

য়ু এস লুচিংবা অসিনা ইরাই নুমিত্তা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ন্যুক্লিয়ার লৈহন্দনবগী মতাংদা খুমাঙ চাওশিনবা লৈতে হায়না খনবা মরমদগী পিওংয়াংদা চৎতনবা মহাক্না পোম্পিওদা হায়খিবনি হায়খি।

মসিদা নত্তনা দোনাল্ড ট্রম্পনা চিনাগী মথক্তসু অকনবা ৱা ঙাংবা হেনগৎলকখি।

মালেমগী মকোক থোংবা ইকোনোমি অনী অসিগী মরক্তা লল্লোন–ঈতিক্কী লান অমা হৌজিক হৌজিক চত্থরিবনি। চিনাগা লৈনবা লল্লোন–ঈতিক্কী মরীদা ঐখোয়না ঐখোয়গী য়াম্না কনবা ফিরেপ লৌবগী মরমদগী নোর্থ কোরিয়াদা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই লৈহন্দনবগী থবক্তা মখোয়না মতেং পাংগনি হায়বসি ঐনা থাজবা লৈতে হায়খি।

দোনাল্ড ট্রম্পনা শীরিবা মরালশিং অদুগী মতাংদা চিনানা অমুক হন্দুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদুগী মথক্তা ওফিসিয়েল দিপ্লোমেটিক কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎখ্রে। য়ু এস কী ৱারোল অদু অশেংবা অচুম্বা ৱাফমশিংগী ওন্ন–তৈনবনি অমসুং দাইত্ব য়াওদবনি। মসিগী মরমদা ঐখোয় হকচিন্না নুংনাংই হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই লু কাংনা মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটতা থাগৎপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

মরী লৈনবা পার্টি পূন্নমক্না হেন্না পুকচেল শেংবা অমসুং তাথোক–তাশিন য়াবা উৎকদবনি। মদুগী মহুত্তা অতোপ্পদা মরাল শীজিনবগী মচৎ চৎলিবা অদু থাদোক্কদবনি হায়খি।

নোর্থ কোরিয়াগী এতোমিক খূৎলাইগী পুক্কে শীদোক্ত্রিবা মখৈ লৈবাক অসিগী মথক্তা সেঙ্কসনশিং থমখিগনি অমসুং মদু হেন্না অকনবা ওইনা থমজিল্লকপসু য়াই হায়না ৱাসিংতনমা ফোঙদোকখিবনি।

অদুবু চিনা অমসুং রসিয়ানা য়ু এস কা ৱারী শান্ননবগী থোঙ হাংদোকখিবা লোয়নন্না মিসাইল টেষ্টশিং পাঙথোকপা লেপখিবা অদুগীদমক নোর্থ কোরিয়াবু মনাদুম পীগদবনি হায়খি।

চৈরকসিদা ইন্টর্নেস্নেল এতোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ই এ) না নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম মখা তানা চত্থরি অমসুং মিনিয়েচরাইজ ন্যুক্লিয়ার দিভাইস অমা অমসুং মদুবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মফম অমদা হেক্তা পুবা ঙমগদবা বালাষ্টিক মিসাইল পুথোক্কদবা খজিক্তং ঙাইরে থাজে হায়রি।

# আই এস না সিনাই এটেক্কী ক্লেম তৌখ্রে

***কাইরো, আগষ্ট ২৬ ঃ***
ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) না ইনফিল্ট্রেসন ওপরেসন অমনি হায়বা অৱাং থংবা সিনাইদা ইজিপ্ট পুলিস চেকপোইন্ট অমদা লাম্নী ১৫ হাংখিবা নৎত্রগা শোকহনখিবা এটেক অদু মখোয়না তৌবনি হায়না ঙসি ক্লেম তৌরকখ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী অমক ন্যুজ এজেন্সিগী পাউনা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা কিলোমিটর ৭০ চেক পোইন্টদা এটেক চত্থখি হায়খি।

অমরোমদা ইজিপ্টকী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি এম ই এন এ না থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা অল–অরিস সিটিগী নোংচুপ্তা চেক পোইন্ট অমদা এটেক অমা সেক্যুরিটি ফোর্সনা মায় পাকহনখিদ্রে অমসুং অতৈনা চেন্থ্রবসু মিলিটরি ৪ হাৎপা ঙমহৌরে হায়খি।

# সিরিয়াদা কা–হেন্না থবক লৌখৎলকপগী মায়োক্তা ৱাসিংতনবু মোস্কোনা ৱার্নিং তৌখ্রে

***মোস্কো, আগষ্ট ২৬ ঃ***
সেনিয়ার রসিয়ান ওফিসিয়েল অমনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু সিরিয়াদা কা হেনবা থবকশিং লৌখৎনবা হোৎনবগী মায়োক্তা ঙরাং ৱার্নিং তৌখ্রে হায়না আর আই এ ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খ্রে।



সিরিয়াগী ইদলিব রিজনদা করিগুম্বা কেমিকেল নৎত্রগা বাইওলোজিকেল এটেক অমা চত্থরকপা তারবদি ৱাসিংতনগী লৌখৎলকপা য়াবা অকনবা খোঙথাংগী মতাংদা য়ু এস নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোল্টোনা ফোঙদোকখিবা ৱারোলশিং অদুগী মতাংদা দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর সেরগৈ রিয়াবকোবনা হায়খি ঃ ঐখোয়না অমেরিকানশিং অমসুং মখোয়গী খোঙলোইশিংদা সিরিয়াদা করিগুম্বা অনৌবা কা হেনবা থবক অমত্তা লৌখৎলক্তনবা ৱার্নিং তৌরি।

ঐখোয়না ৱাসিংতনদগী অল্টিমেতমশিং তারি। অদুবু সিরিয়াদা টেরোরিষ্টশিংগী লৈফম ময়োলশিংবু মপূং ফানা মুথৎনবগী ঐখোয়গী পোলিসি মখা তানা চত্থনবগী ঐখোয়গী অরেপ্পা অনীংবা অদুদা শোকহনবা ঙম্লোই। লৈবাক অসিবু হান্নগী মহৌশাগী পুন্সিদা হল্লক্কবা হোৎনগনি হায়না রসিয়াগী দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টরনা হায়খি।

মপূং ফাবা গভর্ণমেন্ট এটেক অমা চত্থনবগী মমাঙ থাবা এটেক অমা ওইরম্বা য়াবা মওং অমদা সিরিয়াগী অতৈ মফমশিংদগী চেনশিল্লকপা মীচমশিং অমসুং রিবেলশিংগা লোয়নন্না শক্তি লৈরবা জিহাদিস ফোর্সশিংগী লৈফম অমা ওইরিবা ইদলিব রিজনদা থা অসিদা এয়ারষ্ট্রাইক কয়ামরুম চত্থরকখ্রে অমসুং সেল কয়ামরুম কাপশিল্লকখ্রে।

তর্কিগী ঙমখৈ তাইনরিবা অৱাং নোংচুপ থংবা সিরিয়াগী লমদম ইদলিবতা ওইরিবা ফিভম অদু ৱারোইশিন পুরক্লবগী মতাংদা চয়োল অসিদা রসিয়ানা হান্ননা তর্কিস ওথোরিটিজদা ৱাফম কয়া থাঙ্গৎখ্রে।

রিজন অসিদা তর্কিনা রিবেল গ্রুপ খরা শৌগৎলি অমসুং মিলিটরি ওবজার্ভেসন পোষ্ট কয়ামরুমসু থল্লি।

মোস্কোনা ঙাক্লৌ পীরিবা সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল–অসাদ য়াবা ফোর্সশিংনা এটেকশিং চত্থবা ঙমহনগদবা তর্কিনা হোৎনরি।

সিরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর ৱালিদ অল–মোউৱালেমনা থা অসিগী অরোইবদা মোস্কোদা চৎনবা অমসুং ইদলিব রিজনগী ফিভমগী মতাংদা ৱারী শারুনবা থৌরাং তৌরি।

# কুপৱারাদা আর্মিগা নোংমৈ কাপ্নবদা টেরোরিষ্ট ৪ সরেন্দর তৌরকখ্রে



***শ্রীনগর, আগষ্ট ২৬ ঃ***
জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টতা লাইন ওফ কন্ট্রোল নৎত্রগা এল ও সি লান্দুনা চঙশিন্নবা হোৎনরকপা টেরোরিষ্টশিংগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা নোংমৈ কাপ্নবদা ঙসি অয়ূক টেরোরিষ্ট ৪ সরেন্দর তৌরকখ্রে হায়রি।

নোংমৈ কাপ্নবা অদুগী মতূংদা আর্মি অমসুং ষ্টেট পুলিসকী টিম অমনা অল বাদর গ্রুপকী নৌনা রিক্যুট তৌখিবা টেরোরিষ্ট গ্রুপ অমা কোয়শিনখি অমসুং সরেন্দর তৌনবা মখোয়দা খঙহনখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা আর্মিনা ফোঙদোক্লি।

ষ্টেটকী কোনুং শ্রীনগরদগী কিলোমিটর ৭০ রোম লাপ্পদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হন্দৱারাদা নোংমৈ কন্না কাপ্নবা অদুদগী মখোয় ৪ সরেন্দর তৌরকখি অদুবু অতোপ্পা ৩ দি মখোয়না পায়রিবা নোংমৈশিং অদু অতৎ–অখম লৈতনা কাপ্লগা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়রি।

ঙমখৈ লান্না চঙশিল্লক্কবা থৌরাং অমগীদমক অল বাদরগী টেরোরিষ্ট ৩ না নৌনা রিক্যুট তৌখিবা টেরোরিষ্ট ৪ অদুবু লমজিংদুনা লাক্লে হায়বা থাজনিংঙাই ওইবা পাউ ফংবদগী আর্মিনা পুলিসকা লোয়নন্না চত্থবা অপুনবা ওপরেসন অমদা টেরোরিষ্টশিং অদুবু এম্বুস তৌখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা আর্মিনা হায়খি।

চাওরাক্না মতম খরা নোংমৈ কাপ্নরবা তুংদা য়ারিবমখৈ অকনবা মওংদা কাপ্নদনবা খাংদুনা লৈখি অমসুং সরেন্দর তৌনবা টেরোরিষ্টশিং অদুদা তাঞ্জা অমা পীখিবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

টেরোরিষ্ট ওইনা নৌনা য়াওরকখিবা মীওই ৪ অদু সরেন্দর তৌরক্লবসু নাম্থোক্তুনা চেনখিবা অল বাদর টেরোরিষ্ট ৩ অদু থিনবা হৌজিক মফম অদুদা থিবা–হুম্বগী ওপরেসনশিং চত্থরি।

সরেন্দর তৌরক্লবা অমসুং ফারবা টেরোরিষ্টশিং অদু চপ চাবা লান অমদা শীজিন্ননবা পোৎলমশিং পুরম্মী। মদুনা তাকপদি মখোয়না অচৌবা অমসুং অরুবা এটেক অমগীদমক থৌরাং তৌখি হায়বা তাই হায়না আর্মিনা হায়খি।

## GAS TODAY

**Lambodara Indane**
Booking : 21/07/18
Valid : 18/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 20/07/18
Valid : 25/06/18
Stk : 612/19kg 50
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 15/07/18
Valid : 09/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 30/07/18
Sl. No. 150
Valid : 26/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**সনা–সুদোকু –১২৭২ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 4 | 3 | 2 | 8 | 6 | 7 | 9 | 5 |
| 9 | 2 | 8 | 3 | 5 | 7 | 4 | 1 | 6 |
| 6 | 5 | 7 | 1 | 4 | 9 | 2 | 3 | 8 |
| 8 | 1 | 2 | 9 | 6 | 4 | 3 | 5 | 7 |
| 4 | 7 | 6 | 5 | 1 | 3 | 8 | 2 | 9 |
| 3 | 9 | 5 | 8 | 7 | 2 | 1 | 6 | 4 |
| 2 | 8 | 4 | 6 | 3 | 5 | 9 | 7 | 1 |
| 5 | 3 | 1 | 7 | 9 | 8 | 6 | 4 | 2 |
| 7 | 6 | 9 | 4 | 2 | 1 | 5 | 8 | 3 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1273**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 2 | | | | | | 4 |
| | | 8 | | 4 | | | | |
| | | | 6 | | | 1 | | |
| | 7 | | | 8 | 2 | | 4 | 6 |
| | | 4 | | 5 | | | | |
| 9 | 6 | | | | | 3 | | |
| 2 | 3 | | 8 | 1 | 4 | 6 | | |
| | | 7 | | | | | | |
| | 1 | | | 2 | | | 8 | |